# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 24-05-2026)**

**সিএম (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-যুমাম খেমচান্দ সিংহনা সোলিদ ৱেষ্ট মেনেজমেন্ট প্লান টকা মরী লৈননা ইম্ফাল ৱেষ্টকী লমদেং এরিয়াগী খুঞ্জাশিংগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখ্রে।

মহাক্কী সোসিএল মেদিয়া পোষ্ট অমদা হায়-ৱারী শান্নবা অদু ঙরাং মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেটরিয়েটতা পাঙথোকখিবনি। ৱারী শান্নবা অদুদা এসেন্সিয়েল ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিবলপমেন্ট য়াওনা তোঙান তোঙানবা মরুওইবা হীরমশিংগী মতাংদা খন্নখি। ৱারী শান্নবা অদুদা খুঞ্জাশিংনা পুখৎলকখিবা ৱাফমশিং কুপা খন্নখি। সরকারগী মায়কৈদগীসু অকোইবগী ফিভম অমসুং মীয়ামগী হকশেলগা মরী লৈনবা ৱাফমশিং মতম চানা য়েংশিনদুনা পায়খৎপা য়াবা খোঙথাং পায়খৎতুনা মফম অদুগী মীয়ামনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং কোকহন্নবা তুং কোইনা চৎনগদবা থৌরাংশিং পায়খৎনবা হোৎনরি হায়নসু মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোক্লি।

**বঙ্গলাদেস(এল)ঃ** পেতিওটিক রাইটরস ফোরম-মনিপুরনা চহি খুদিংগী পীবা ডাক্তর থিয়াম সুরেস লিটরেরি এৱার্ড ২০২৬ বঙ্গলাদেসকী শকাইরবা অইবা এ.কে.সেরামদা পীখ্রে।

ত্রিপুরাগী অগরতালা প্রেস ক্লবতা ঙরাং পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা অইবা অসিদা মনা অদু মনিপুর বিধান সভা সদস্য করাম শ্যাম সিংহনা খুৎশিন্নখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী শ্যামনা হায়-অইবা অইবী কয়ানা ইরন্বা লাইরিকশিংনা লমদম অসিগী পুৱারী ওইরি। শ্রী শ্যামনা বঙ্গলাদেসকী শকাইরবা অইবা এ.কে. সেরামনা মনিপুরি লোল অমদি সাহিত্যগী লমদা মতম শাংনা

কৎথোক্কুনা লাকখিবা অদুবুসু থাগৎপা ফোংদোকখি।

থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা ইন্দো-বঙ্গলা মনিপুরি কবিশিংগী শৈরেং শৈদিন্নবগী থৌরমসু পাঙথোকখি। মনিপুরি লেঙ্গৌইজ এদভাইজরি বোর্ড, সাহিত্য একাডমী ন্যু দিল্লিগী মেম্বর-খোইস্নাম ওংবী বিরোলানা শৈদিন্নবা অদুগী সভানেত্রি ওইখি।

**পুলিস (এল)ঃ** রাজ্য অসিগী চীং অমসুং তম্পাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা আইন য়াদবা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা সেক্যুরিতি ফোর্সকী মায়কৈদগী লৌখৎপা য়াবা চেকশিন থৌরাংশিং লেপ্তুনা লৌখৎলি অমদি এরিয়া দোমিনেসনগী থবক থোরমশিংসু চথুরি।

মনিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমগী চেরোল অমনা হায়-সেক্যুরিতি ফোর্সনা অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা নেসনেল হায়ৱে ৩৭ ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীদা ঙরাংসু রাজ্য অসিদা তঙাইফদনা চংদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলম পুবা গাড়ি ৩১৬ ইম্ফাল তমা পুশিল্লকখ্রে। মীয়ামনা অরানবা অমদি তোকঙাদা থাজবীদনবসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

অমরোমদা, রাজ্য পুলিসনা ঙরাং মীওই অমদগী ওপিয়ম সিদ কিলোগ্রাম ১৮৯ রোম হেন্না ফাগৎখি। মীওই অদু নেসনেল হায়ৱে ১০২ পল্লেল-চান্দেল লমখাই এরিয়াদগী ফাখিবনি। মীওই অদুদগী চাকা মরি পানবা গাড়ি অমসু ফাগৎখি।

**হিয়াংলম(এল)ঃ** রাজ্য অসিদা খুন্দামিন্নরিবা য়েলহৌমী ফুরুপ খুদিংমকা অমনা অমবু মতেং পাংনদুনা নুংশি চান্ননা লৈমিন্ননবা মনিপুর বিধান সভা সদস্য ডা: য়ুম াম রাধেশ্যামনা আপিল তৌরি।

ককচিং জিলাগী লাংমৈদোংদা ঙরাং পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা শ্রী রাধেশ্যামনা হায়-রাজ্য অসিদা নুংশি চান্নবা ফিভম অমা লৈহন্নবা হোৎনবদা

অয়েৎপা পীরিবা অমদি মনিপুরবু মচেৎ তাহন্নবা শিল্লিবা মীওইশিংগী মায়োক্তা ঐখোয় পুন্না লেপমীন্নবা তঙাইফদে।

**আইএমদি ঃ** ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট-ইম্ফাল সেন্টরনা হায়রি-মনিপুরগী জিলা পুমমক্তা ঙসি নোং চুরবা য়াই।

সেন্টর অসিগী চেরোল অমদা হায়-রাজ্য অসিগী জিলা খরদদি ঙসি অখাক অরাও য়াওনা ময়াই ওইরপ কন্না নোং চুরবা য়াই। হয়েংসু রাজ্য অসিগী জিলাশিং-তমেংলোং, সেনাপতি, উখ্রুল, কামজোং, তেংনৌপল, চান্দেল, চুরাচান্দপুর অমসুং ফেরজোলদা নোং চুগনি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-লৈবাক অসিগী নাগরিকশিংগী পুন্সিগী থাক ৱাংখৎহন্নবা সরকারনা থবক কয়া লেপ্তুনা পায়খৎলি।

ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা ঙরাং পাঙথোকখিবা ১৯ শুবা রোজগার মেলাগী থৌরমদা ৱা ঙাংবদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-লৈবাক অসিনা কর্মা যোগীশিংগী মফমদা অচেৎপা থাজবা থল্লি। মখোয়না কৎথোকপগা লোয়ননা পাঙথোকপা থবক থৌরমশিংনা লৈবাক অসিবু চাউখৎপগী লম্বীদা লমজিংগদৌরিবনি। মহাকা হায়-ভারতকী নহারোলশিংবু থবক ফংহন্নবা অমসুং মখোয়গী হৈথোই শিংথোইবা কয়া মালেমগী মীয়ামদা উৎপা ঙমবা সরকারনা অখন্নবা মীৎয়েং চংলি।

থৌরমদুদা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম ৪৭ তা পাঙথোকখিবা ১৯ শুবা রোজগার মেলা অদুদা নৌনা থবক খল্লবা নহা লিশিং ৫১ হেনবদা মখোয়গী এপোইন্টমেন্ট লেট্টরশিং য়েন্থোকখি।

**ইন্দো-য়ুএসঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি অমসুং আমেরিকাগী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট-মারকো রুবিও অনিনা ঙরাং ন্যু দিল্লগী সেবা তির্থদা উন্নদুনা ইন্দিয়া-

য়ু.এস. কমপ্রিহেন্সিব গ্লোবেল ষ্ট্রেটেজিক পার্টনরসিপ অমসুং মালেমগী ওইবা ৱাফম কয়াগী মতাংদা খন্নখ্রে।

প্রধান মন্ত্রি ওফিসনা থাদোরকপা ৱারোল অমদা হায়-শ্রী রুবিওনা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিদা, লৈবাক অনিগী মরক্তা ঙাকশেল, টেকোলোজি, লল্লোন ইতিক, শেল থাদবা, ইনর্জি সেক্যুরিতি, কন্নেক্তিভিতি, শিক্ষা অমসুং লৈবাক অনিগী মীয়াম মরক্তা লৈনবা মরী হেন্না ফগৎহন্নবগী মতাংদা হৌজিক ওইরিবা ফিভমগী মতাংদা পাউদমখি। শ্রী মোদিগী মায়কৈদগী, মালেমগী ওইবা ৱাথোক কয়া শান্তি ওইনা ৱারী শান্নদুনা ৱারোইশিন পুরকবা তকশিনখি।

**রাজনাথঃ** ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহনা হায়রি-সরকারনা ঙাকশেলগা মরী লৈনবা পোৎলমশিং শাবগী মায়কৈদা অখন্নবা মীৎয়েং চংবগা লোয়ননা পায়খৎলিবা থবকশিং অসিনা মীরমদা ঙাকশেলগী পোৎলমশিং য়োনবগী চাং হেনগৎহল্লগনি।

মহারাস্ত্রগী সবালি বিহির ইন্দষ্ট্রিয়েল ইষ্টেটতা ঙরাং অরতিলারি সেল মেন্যুফেকচরিং প্লান্ট অমা শঙ্গাবগী থৌরমদা শ্রী রাজনাথনা হায়- ঙাকশেলগী পোৎলমশিং শাবগী লমদা প্রাইবেট সেক্তরশিং য়াওবগী চাং চাদা ৩০ দগী ৩৫ ফাওবা ওইরি। মসি চাদা ৫০ দা হেনগৎহন্নবা কন্না হোৎনরি। প্রোজেক্ট অসিনা অরতিলারিগা মরী লৈনবা পোৎলমশিং শাবগী লমদা অনৌবা পন্দুপ অমা হাংদোক্লগনি হায়নসু মহাকা মখা তাখি।

**বেঙ্গোলঃ** শেনবা চহি ২০২৬-২৭ কী ওইনা নোংচুপ বেঙ্গোলদা কেন্দ্র সরকারনা নেসনেল হেলথ মীসনগী মখাদা লুপা কোতি ৫২৭ পীখ্রে।

কেন্দ্রগী হকশেল মন্ত্রি-জগৎ প্রকাশ নাদ্দানা নোংচুপ বেঙ্গোলগী হেলথ কিয়ার সিষ্টেম ঙরাং হন্না য়েংশিল্লবা মতুংদা খোঙথা ং অসি লৌখৎলকপনি। ভুরচুয়েল ওইনা পাঙথোকপা মীফম অদুদা নোংচুপ বেঙ্গোলগী মুখ্য মন্ত্রি-সুবেন্ধু

অধিকারিসু শরুক য়াখি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

চীফ মিনিস্তর য়ুমাম খেমচান্দনা সাহিত্যগী লমদা শকাইরবা তোঙান তোঙানবা অইবা অহুমদা ষ্টেট লিটরেচর এৱার্ড লান্থোকখিবা, থোরমদুদা চীফ মিনিস্তরনা ফোংদোকখিবা ৱাফম, য়ু.এন.সিগী লুচিংবশিংগা চীফ মিনিস্তরগা উন্নখিবগী পাউ য়াওনা তোঙান তোঙানবা পাউশিংনা ঙসি মনিপুরদা ফোংবা পাউচেশিংগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংনরি।

পাউশিং অসি তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি অমসুং ইংলিস এদিসন, পোকফম, পিপলস ক্রোনিকল, নহারোলগী থৌদাং, সনা লৈবাক, হুইয়েন লানপাউ অমসুং মনিপুর মেল য়াওনা পাউ চে অয়াম্বদা ফোংনরি।

চীফ মিনিস্তরনা মনিপুর ষ্টেট লিটরেচর এৱার্ড ২০২৪ লান্থোকখিবগী পাউ অসি মনিপুর মেলদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

থৌরম অদুদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপশিংনা নুংশি চান্ননা হিংমিন্নবা নত্তনা লমদম অসিদা চাউখৎপা পুরকপা ঙমলোই হায়না চীফ মিনিস্তর-খেমচান্দনা ফোংদোকখিব ৱাফম সনা লৈবাক পাউচেগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

পাউ অসি পাউচে অয়াম্বগী অহানবা লামাইদসু ফোংনরি। চীফ মিনিস্তরনা য়ু.এন.সিগা উন্নখিবগী পাউ সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি নহারোলগী থৌদাংদা-নাগা তরুক ফাখিবগী কেস এন.আই.এদা শিন্নরগনি হায়বা চীফ মিনিস্তর ৱাফম অমসুং য়ান্নবা পুরক্ত্রিবা ফাওবা ইকোনোমিক ব্লোকেড হন্দোক্লোই হায়বা য়ু.এন.সিগী ৱাফম নহারোলগী থৌদাং পাউচেগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুরগী ইরাং হেন্না খুদোংথিনিংঙাই ওইবা মায়ওনদা চংশিল্লক্লি

হায়বসিনা সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনগী বেন্নর হেদলাইন তৌরি।

আই.আর.বি. পার্সোনেল অনি-কে.এন.এ. (বি) না ফাজিল্লুরে হায়বা পাউ পোকফম পাউচেগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

এম.পি.ৱাই.সি.সিগী থৌমীশিংনা চীফ মিনিস্তর বঙ্গলোগী গেট মমাংদা খোঙজং চংশিনখিবগী পাউ পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লামাইদা ফোংলি। পাউ অসি হুইয়েন লানপাউদা চীফ মিনিস্তর তুমদুনা লৈরনু হায়না য়ুথ কংগ্রেসনা মহাক্কী গেট থিনবা হৌরক্লুবা তুংদা পুলিসনা থিংখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। লমদেং সোলিদ ৱেষ্ট মেনেজমেন্ট প্লান্টকী অপুম আশাগী মচুমনা লৌ শঙ্গম ৩০ রোম মাঙলে হায়বসিনা পাউচে অসিমক্কী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুরদগী মীতোপশিং তাস্থোকহৌদ্রবদি য়েলহৌমী মীতৈ অমদি নাগাদা লান্দাবগী থৌদোক লেপ্তুনা চথুরকখিগনি হায়বা পাউ নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।